

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*রুসিয়াগী নৌরিবা লেফট হেন্দেদ মাকারোভানা পট্টয়া ওপনদা মায় পাক্লবা মতুংদা হরাওবা ফোঙদোকপা*

*ফোর্মুলা ১ গী কম্পিটিসনদা পুং ১ঃ ৩৫.৩৩৪ দা লেপ ৫৫ থৌখিবা স্পেনগী নহা ওইরিবা ড্রাইভর অমা*

## করিগীদমক টুর চত্তুনা গেম শান্নরিবনোঃ রোহিট শর্ম্মা



*ব্রাঙ্গারে, ফেব্রুৱারী ০৩ঃ*

ইন্দিয়াগী কেপ্টেন অমগুম্না লৈরিবা রোহিট শর্ম্মনা ফোঙদোকখিবদা করিগীদমক টিম অসিনা টুর মেটচ শান্নরিবনো হায়বগী ৱাফম থম্লদুনা ৱান দে ইন্টর্নেসনেল মেটচ ৫ ন্যুজিলেণ্ডগা শান্নবদা মায়থীবা নঙলবা ইন্দিয়া টিম্না লৈবাক অসিগা টেষ্ট মেটচ অনী অমুক হন্না শান্নগদৌরি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়ানা মপাল লৈবাক্তা চত্তুনা লৈবাক অদুগী ক্রিকেটরশিংগা য়ানবা অমগী মখাদা ৱান দে ইন্টর্নেসনেল অমদি টেষ্ট ক্রিকেটনচিংবা কয়া শান্নরিবা অসি প্রাক্টিস গেমনি। মসি শান্নবনা লাক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড কপ কয়াদা লৈবাক অসিগী লৈরিবা বেটসমেন অমদি বোল্লরশিংদা হেন্না খুদোংচাবা অমদি মখোয়গী অৱাৎপা পার্ফোমেন্সশিং অদু হেনগৎনবগীদমক টুর মেটচশিং শান্নরিবনি হায়নসু রোহিট শর্ম্মনা ফোঙদোকখি।

অহানবা ওইনা ওকলেণ্ডদা লৈবা ইদেন পার্কতা ফ্রেবুৱারী ৬ তগী ন্যুজিলেণ্ড অমদি ইন্দিয়াগী অহানবা টেষ্ট মেটচ শান্নগদৌরি। টেষ্ট মেটচ অসিগীদমক ইন্দিয়াগী বেটসমেন অমদি বোল্লরশিংনা শেম শাবা লোইরে। নুমিৎ নীনিগী মনুংদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা কন্না হোৎনরি। মহাক মশা অমদি অজ্ঞিকা রহনেনা হাল্ফ সেঞ্চুরি য়ৌখিবা ঙাক্তনি হায়না মফম অসিদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা রোহিট শর্ম্মনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, মখোয় অনী নত্তবা অম্বাটি রায়ুদু অমদি রবিচন্দ্র অশ্বনিনাচিংবা মেটসমেন কয়াসু বেটিংদা প্রক্টিস তৌবা ফংলগনি। টেষ্ট অসিদা স্পিসিএলিষ্ট ওইরিবা ইন্দিয়াগী ক্রিকেটর চিত্রেশ্বর পূজারানা রন কয়া লৌগনি হায়বগী থাজবা লৈ। মহাক্না প্রাক্টিস ওইনা পাঙথোকপদা রন ৩৩ লৌখি। অশ্বনিসু নীংথিনা বেট পায়দুনা শান্নবা ঙম্মী হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা ইন্দিয়াগী বোল্লর ইশান শর্ম্ম, জহির খান অমদি উমেস য়াদবনচিংবা শান্নরোইশিংনা মখোয়গী ফজবা পার্ফোমেন্সনা অতোপ্পগী শান্নরোইশিংদা অহানবা ৱিকেট নৎত্রগা অনীশুবা ৱিকেট তুহনবদা চাউনা থৌদাং লৌখি। লোয়ননা ঈশ্বর পান্দেনা অহুমশুবা ৱিকেট তুহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখি।

রোহিটনা মখা তারদুনা হায়খিবদা টিম অসিদা খ্বাইদগী নহা ওইনা য়াওরিবা ঈশ্বর পান্দেনা ঙসি ফাওবদা মহাক্কী বোল্লিংগী পার্ফোমেন্সতা নীংথিনা উৎলি অমসুং মহাক্কী ওইনা রিৱার্দ পীবা য়াবা অমা হায়রগদি ৱিকেট অহুম ফাওবা য়াম্না লায়না লৌখিবা ইন্দিয়াগী বোল্লর অমনি।

মহাক নত্তবা মথক্তা পনখিবা বোল্লর অহুম হায়বদি ইশান শর্ম্মা, জহির খান অমদি উমেশ যাদবনচিংবা ফার্ষ্ট বোল্লরশিং অসিনা মখোয়গী মথৌ নীংথিনা পাঙথোকখি। অদুবু মখোয়না অপান্বা মওংদা ৱিকেট লৌবা ঙমদবা অসিখকনি। অদুমওইনমক পান্দেদি মহাক্না পান্লকপা মতমদা অমদি ইন্দিয়াগী চিরবা তাঞ্জাদা ৱিকেট লৌবা ঙম্বা শান্নরোই অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

## কোহলি টি–২০দা মরিশুবদা লৈরি



*দুবাই, ফেব্রুৱারী ০৩ঃ*

আই সি সিনা নৌনা লেপলকখিবা টি–২০ গী রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াগী বেটসমেন ওইরিবা বিহরাট কোহলিনা ৪শুবদা লৈরি।

মহাক্কী মথংদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বেটসমেন সুরেশ রাইনানা ৫ শুবদা অদুগা মতম অমদা ইন্দিয়া টিমদা য়াওরম্বা হৌজিক্লা শান্নবদগী পোত্থখ্রবা যুবরাজ সিংহনা ৬ শুবা লৈরি।

আই সি সিগী টি–২০ গী নৌনা লাউথোকখিবা হায়বদি ঙসি নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙখিবা রেঙ্কিং অসিদা ইন্দিয়াগী বোল্লর অমত্তনা টোপ ১০ গী মনুং চনবা ঙমদনা লৈরি। অদুমওইনমক ওল রাউন্দরগী ওইনা য়েংবদা ইন্দিয়াগী মতম অমগী শান্নরোই ওইরম্বা যুবরাজ সিংহনা অহুমশুবা স্পোটতা লৈরি।

অমরোমদা ওষ্ট্রেলিয়াগী ওপনর অরোন ফেন্সিনা মহাক্না হান্না লৈরম্বা মফম অদুদগী ৫ হাইগৎলগা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখ্রে। মসি সিদনিদা ইংলেণ্ডগী মায়োক্তা শান্নখিবা সেরিজ অদুদা মখোয়না ৩–০ দা মায় পাকপদগীনি।

মহাক্না মেটচ ৩ শান্নবদা রন ৯২ লৌবগা লোয়নবা বেটিংগী টেবলদা মহাক্কী রেঙ্কিং অসি হায়গৎখিবনি। হৌজিক ফাওবদা মহাক্না রন ৭৭২ লৌখ্রে অদুগা পোইন্ট ২৩ ফংদুনা ইংলেণ্ডগী এলেক্স হেলিসকি মথংদা লৈরি।

## ইন্সেন্টিভ এৱার্দ লাউথোকখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩ঃ*

দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুথ এফিয়ার এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টনা চহী অসিদা পীগদবা শান্নরোইশিংগী ইন্সেন্টিভ এৱার্দকি লিষ্ট থোকখ্রে। দিপার্টমেন্ট অসিনা হন্দক চহীদা পীগদৌরিবা এৱার্দ অসি ইং ২০১০ দা শান্নরোইশিংনা ফংলকখিবা অদুগী মতুং ইন্না পীগদবা শান্নরোইশিংগী মিং অমসুং শেল লাউথোকখ্রে।

খনগৎলবা শান্নরোইশিংগী মিংশিং অদু খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা দিরেক্টোরেট ওফ য়ুথ এফিয়ারস এন্দ স্পোর্টসকি নোটিশ বোর্দতগী খঙলবা য়াগনি। এৱার্দ অসি ফংগদবা খনগৎলবা শান্নরোইশিংনা মখোয় মখোয়গী বেঙ্ক একাউন্দশিং অদু চৎলিবা থা অসিগী ১০ ফাওবগী মনুংদা দিপার্টমেন্ট অসিদা লাক্তুনা ওফিসকি মতমদা পীরনবা খঙহল্লক্লি।

## রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লি

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩ঃ*

হোকি ইন্দিয়াগী মখাদা পাঙথোক্কদৌরিবা মরিশুবা নেসনেল চেম্পিয়নসিপ্তা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিং খন্নবগী ট্রায়েল কম সেলেক্সন কোচিং অমা খুমন লম্পাক অমদি সাই হোকি গ্রাউন্দদা থা অসিগী ৫ দগী অয়ুক পুং ৮ দা পাঙথোক্কদৌরি।

চেম্পিয়নসিপ অসিদা শরুক য়ানীংবা শান্নরোইশিংনা মখোয় মখোয়গী ক্লবকি মীওইশিংদা খঙহল্লবা মতুংদা মথক্তা পীরিবা মফম অনী অসিদা নৎত্রগা মণিপুর হোকিগী মীহুৎ অমা ওইরিবা সি ঐচ বলা সিংহ কেম্প ইন চার্জতা থা অসিগী ৫ গী অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদা লাক্তুনা ফুল কিদসকা লোয়ননা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি।

কেম্প অদুদগী খনগৎলবা শান্নরোইশিংনা শরুক য়াগদবা টুর্নামেন্টশিং অদুদি হরিয়ানদা মার্চ ১ দগী ৯ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ৪শুবা হোকি ইন্দিয়ন জুনিয়র মেন্স চেম্পিয়নসিপ, কর্নাতাকাদা মার্চ ৫ দগী ১৭ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ৪শুবা ইন্দিয়ন জুনিয়র নেসনেল ৱুমেন্স চেম্পিয়নসিপ, মার্চ ১১ দগী ২৩ ফাওবা লক্ষ্ণৌদা পাঙথোক্কদবা ৪শুবা হোকি ইন্দিয়ন সেনিয়র নেসনেল মেন্স চেম্পিয়নসিপ অমসুং মার্চ ১৩ দগী ২০ ফাওবা ভোপালদা পাঙথোক্কদবা ৪শুবা হোকি ইন্দিয়ন সেনিয়র নেসনেল ৱুমেন্স চেম্পিয়নসিপকি শান্নরোই খন্ননবনি।

## ফিটনেষ্ট টেষ্ট অমদি পরিক্ষা

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩ঃ*

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মখাদা পাঙথোক্কদবা রেফরি কেটাগোরি ৱান অমসুং টুগী ফিটনেষ্ট টেষ্ট অমসুং পরিক্ষা থা অসিগী ৯ দা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা পাঙথোক্কনি হায়না সেক্রেযরি রঞ্জিৎ রোইগী চেরোল অমনা হায়রি।

## নুমিৎ ৭নিগী ওইবা কোচ পাঙথোক্কনি

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩ঃ*

মণিপুর মাউন্টেনরিং এন্দ ট্রেক্কিং এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা মীনুথোংদা লৈবা স্পোর্টস ক্লাইম্বিংগী ওইবা কোচ অমা নুমিৎ ৭ নি চুপ্পা ফেব্রুৱারী ২২ দগী ২৮ ফাওবা কংলা ৱাল মীনুথোংদা পাঙথোক্কদৌরি।

কোচ অসিদা শরুক য়ানীংবা মশাগী চহী ১০ দগী ২০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিংনা এম এম টি এগী মীনুথোংদা লৈবা ওফিসতগী ফোর্ম লৌরগা থা অসিগী ২০ গী পুং ৪ ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লকপা য়াগনি। অকুপ্পা মরোল এম এম টি এগী ওফিসতগী খঙলবা য়াগনি হায়না এসোসিয়েসনগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## থা ৩ চখগদবা থাঙ–তাগী ফ্রি কোচিং কেম্প হৌখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩ঃ*

চৎলিবা থা অসিগী তাং ১ দা লমদম অসিদা থাঙ–তাবু হেন্না চাওখৎনবগী পান্দমদা হৈবোক নিংথৌ থাঙ–তা এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা লূপ অসিগী শঙলেন্দা থা অহুম চখগদবা থাঙ–তা ফ্রি কোচিং কেম্প অমা হৌখ্রে।

থাঙ–তাগী ফ্রি কোচিং কেম্প অসি এপ্রিলগী ৩০ দা লোইশিনগনি। হৌদোকপগী থৌরম অদুদা থাঙ–তা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা হুইদ্রোম প্রেমকুমার সিংহ অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট থাঙ–তা এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট থৌনাওজম প্রেমকুমার সিংহ অনীসু শরুক য়াখি। লোয়ননা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ১৭ তগী ২০ ফাওবা খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা ২০ শুবা নেসনেল থাঙ–তা চেম্পিয়নসিপ্তা গোল্ড মেদল লৌরকখিবা শান্নরোই লোইতোংবক হেরোজিৎ অমদি ওফিসিএল ওইনা শরুক য়াখিবা লূপ অসিগী সেক্রেটরি অমদি কোচ ওইরিবা এস ঐচ শামান্দা সিংহবু পুক্লিং থৌগৎখি।

## ইন্দিয়ানা চাইনিজ টাইপৈবু দেবিস কপতা মায়থীবা পীখ্রে



*ইন্দোর, ফেব্রুৱারী ০৩ঃ*

দেবিস কপকি এসিয়ন ওসিন গ্রুপ ৱানদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চাইনিজ টাইপৈ টিম্বু ৫–০ দা মায়থীবা পীখি।

ইন্দিয়া টিম্না চাইনিজ টাইপৈগী টিম অসিবু মায়থীবা পীবদা ইন্দিয়াগী টেনিস শান্নরোই সাকেথ ম্যানেনি অমদি য়ুকি ভমবিরনা মখোয় মখোয়গী সেটতা য়াম্না চাউনা মায় পাক্লকপগা লোয়ননা ইন্দিয়া টিম্না চাইনিজ টাইপৈ টিম্বু ৫–০ দা মায়থীবা পীখিবনি। দেবিস কপ গ্রুপ ৱানগী মেটচ অসি ইন্দোর টেনিস কপ সিদনিদা শান্নখিবনি।

ম্যানেনি অমসুং মহাক্কী দবলস টিম্না থাংজ নুমিত্তা শান্নখিবা মেটচতা মায় পাকপা ঙমখি। লোয়ননা মহাক্কী শিঙ্গলসতসু মায় পাকপা ঙমখি। মসি টিম অসিগী কেপ্টেন্না সোমদেব দেববর্ম্মনগী মহুত্তা মহাক্না শিঙ্গলস শান্নবা হায়রকখিবদগী মহাক্না শিঙ্গলসতা মরাথোনগুম্না য়াম্না শাংনা শান্নরবা মতুংদা মায় পাকখিবনি।

মহাক্না শিঙ্গলস অদুদা চাইনিজ টাইপেগী টি চেনবু মায়থীবা পীখিবনি। মসিনা দেবিস কপ্তা ইন্দিয়ানা ২০০৫ তগী ঙসি ফাওবদা চাউনা মায় পাক্লকপা অমসু ওইরি। মশাগী চহী ২৬ শুরবা ম্যানেনি হৌজিক রেঙ্কিংদা ৩১৩ লৈরিবনি। মহাক্না মিনিট ৪৮ চঙনা টসুং হাও য়াংবু ৬–১, ৬–৪ দা মায়থীবা পীখি।

অমরোমদা হাইশিন য়িন পেননা টি চেনগী মহুত্তা শান্নখিবা অদুদসু য়ুকি ভম্বিরনা য়াম্না নীংথিনা মায় পাকপা ঙমখি।

## মুরেনা বৃটেনবু ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌহনখ্রে

*সেন দিগো, ফেব্রুৱারী ০৩ঃ*

এন্দি মুরেনা সাম ক্যুরেসিবু ৪ সেটতা ঙরাং মায়থীবা পীবগা লোয়ননা শক ১৯৮৬ কি মতুংদা গ্রেট বৃটেনবু দেবিস কপকি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌনা পুশিনখ্রে।

মমাঙ চহীগী ৱিমব্লেদনগী চেম্পিয়ন ওইখিবা মুরেনা সিঙ্কলসকি মেটচ অনী মায় পাকপা অমসুং মেটচ অমা দ্রো ওইবগা লোয়ননা ক্যুরেসিবু ৭–৬(৭–৫), ৬–৭(৩–৭), ৬–১ অমদি ৬–৩ দা মায়থীবা পীখি।

বৃটেনগী কাঙবুনা ইরাই ফাওবদা ২–০ দা লিট তৌবা ঙমখি। মসিনা মখোয়গী অহৌবা ওইনা শান্নখিবা মেটচনি। রেঙ্ক ১৭৫ দা লৈবা জেমস ৱার্দপু গেম অসিদগী শাথিনা পোরবা মতুংদা মুরেনা ক্যুরেসিবু থোইদুনা অনৌবা টিম অসিগী লম্বী শেম্বা হৌখি।

ৱার্দনা শান্নবদা গেম ১১ গী মনুংদা ১০ মায় পাকপা ঙমখি। অমরোমদা দেবিস কপ অসিদা নৌনা চঙলকখিবা দোনাল য়ংবু এন্দি মুরেনা ষ্টেট সেটতা মায়থীবা পীখি। য়ং অসি অনৌবা ওইনা য়ু এস এ টিমদা য়াওরকখিবনি। মহাক্না জোনগী মহুত্তা মুরেগা শান্নখিবনি। জোন শোকপনা মরম ওইদুনা মখা তাবা মেটচ শান্নবা ঙমদবদগী নৌনা য়াওরকখিবা দোনাল য়ংনা মহাক্কী মহুত্তা শানখিবনি।

## বেকখামনা এমএলএসতা শেল থাদগদৌরি



*মিমি, ফেব্রুৱারী ০৩ঃ*

ইংলেণ্ডগী মতম অমদা মিদফিল্ডর ওইনা শান্নরম্বা হৌজিক্লা শান্নবদগী পোত্থখ্রবা দেবিদ বেকখাম্না মেজর লীগ সোক্করদা মহাক্না পামজবা ক্লব অমা ওইরিবা মিমিদা শেল থাদনিংবগী অপান্বা ৱাফম মফম অদুগী মেদিয়াশিংনা ফোঙদোরক্লি।

মসিগা লোয়ননা মফম অসিদা মীয়ামগী তেঙবাংবগী শেমখিবা ষ্টেদিয়ম অসিদা মেজর লীগ সোক্কর অসি শান্নহনগনি হায়বগী ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

মেজর লীগ সোক্কর অসিদা বেকখাম্না তোঙান তোঙানবা শেঞ্জাও পায়বা মীওইশিংগা গ্রুপ অমা শেমদুনা শেল থাদরি। গ্রুপ অসিদা য়াওরিবা মীওইশিংগী মনুংদা মেজর লীগ সোক্কর অসিগী কম্মিস্নার ওইরিবা দোন গার্বেরনা চিংবা শেঞ্জা পায়বা মীওই কয়া য়াওরি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মেজর লীগ সোক্কর অসিদা শেল থাদরিবা মীওইশিং অসি মিমি–দাদে কন্ত্রিগী কম্মিস্নার জেভর ইস্কাজেসনা ফোঙদোকখিবদা লীগ অসি অহানবদা জনুৱারীগী থাখাইদা লাউথোক্কনি হায়না তৌরম্বনি ফেব্রুৱারী থাদা মহাক লাক্লবা মতুংদা লাউথোক্লকপনি।


SL/29/19/B

Millennium Institute of Sciences

*Presents for the first time*

MILLENNIUM SCHOOL

From 2014-15 Academic Session opening

**Daycare, Prenursery, Nursery Classes & K.G.**

From this Academic Session onwards at Sagolband Salam Leikai, Imphal - 795001

**Special features :** AC room for daycare

- Home away from home for day care
- Hygienic mid day meal for day care
- Audio Visual Classrooms
- Play-way method of teaching system
- Well equipped teaching and playing materials of latest technologies
- Well experienced and trained faculties with seniors from Delhi Public School.

*Form available from 7th November 2013*

@ Millennium School Office, Sagolband Salam Leikai.

& Millennium Institute of Sciences, Kwakeithel Mayaikoibi.



ANGELS' COACHING CENTRE (ACC)

URIPOK POLEM LEIKAI

ADMISSION OPEN FOR

MOCK TEST 2014

| PREVIOUS MOCK TEST RESULT 2013 | | HSLCE RESULT 2013 |
|---|---|---|
| MIRANDA M. (NBS) | 1st RANK | 1st |
| SYDENNY TH. (LFS) | 2nd RANK | 6th |
| RATIMANJURI H. (NBS) | 3rd RANK | 3rd |
| MIRANDA O. (NBS) | 4th RANK | 5th |
| VIVEK A. (St. Joseph) | 5th RANK | 14th |
| REMA N. (NBS.) | 6th RANK | 15th |
| S. SADA (LFS) | 7th RANK | 16th |
| CHITRA KH. (NBS) | 8th RANK | 16th |
| S. BIDYALAXMI (LFS) | 7th RANK | 22nd |
| BIDYALUXMI NG. (LFS) | 8th RANK | 24th |
| Prescila RK. (NBS) | 9th RANK | 24th |
| S. Linthoingambi (LFS) | 10th RANK | (89.6%) |
| Michael H.(Catholic) | 11th RANK | (88.4%) |
| Daniel H.(St. Joseph) | 12th RANK | ( 87%) |
| Rebika Kh.(LFS) | 13th RANK | (87%) |
| Kelveen Raj(St. Joseph) | 14th RANK | ( 86.6%) |
| Evylyn G.(NBS) | 15th RANK | (86.4%) |
| O. Babykalpana(PS Ningthoukhong) | 16th RANK | (85%) |
| Raveria Th.(NBS) | 17th RANK | (83.2%) |
| N. Polendro(Heritage) | 18th RANK | (82%) |
| L. Binju (LFS) | 19th RANK | (80.4%) |
| Devia RK.(Alpha BCI) | 20th RANK | (78.4%) |

MEGA MOCK TEST 2014

TIME : 10:30 A.M. TO 1:30 P.M.

| DATE | SUBJECT | MARKS |
|---|---|---|
| 10-01-2014 | S/SCIENCE | 80 |
| 19-01-2014 | SCIENCE | 80 |
| 25-01-2014 | MATHS | 80 |
| 02-02-2014 | ENGLISH | 80 |
| 09-02-2014 | ADDL. ENG./ MIL/THADOU | 80 |

Contact No.: 9856988840–9863222153–9863265726